হুইয়েন লানপাও

ডোক্টর অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফ থারক্তবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়ামরুম তাল্লদুনা নুঙবাদা মীয়াম্না লম্বী থিংবগী শক্তম অমা

থাংমৈবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থাংজম ইবোতোম্বীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী শক্তম

শেল-থুমগী থৌসু পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা জে এ সী এমটুক অমদি এম জিওগা ৭শুবা পে কম্মিসন চৎনহনবগী মতাংদা উনবা

ইকো ভেন অমদা শদোং চানবা মোরেদগী হূই ময়াম অমা বোরা খাউদা হাপ্লগা ইম্ফালদা পুরকপদা পি এফ এগী কাঙবুনা মিনুথোং ময়াদগী রেস্ক্যু তৌবা

Vol. 41, Issue No.159 থাংজ, লাংবন ১১নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Saturday, September 02, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৬০
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.৪৬

য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ : ইস্লাম লাইনিং চৎপা খূদিংমক্কী হয়েং পাঙথোক্দৌরিবা ইদ-উল জুহা থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুল্লা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননচিংবনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। শেংলবা ফেষ্টিবেল অসিনা খূদিংমক নুংশি-চান্ননা, মচিন-মনাও অমা ওইনা ঈংনা-চীক্না লৈমিন্নবা ঙম্লসনু হায়না গভর্নরগী পাউজেলনা হায়রি। প্রোফেট ইব্রাহিমনা শেন্থীবা মপুগীদমক কথোকখিবা অদুগুম্না লায়রবা অমসুং পাম্বে লৈজদ্রবশিংগীদমক ফেষ্টিবেল অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নরসি হায়না চীফ মিনিষ্টরগী পাউজেলনা হায়রি। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যাম, ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম পি ডা. টি ঐচ মৈন্য, মহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, রেদ সিল্ড দিভিজনগী জি ও সী অমসুং আই জি এ আর (সাউথ)নসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই : ডেসাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ : শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ডেসামগী প্রসিদেন্ট এম অঙন্বা ফারগা তপ-তানা ফুরকখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা পুলিস পর্সনেল অহুম থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবসু সস্পেন্দনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়না মহৈরোয় লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি নাওরাকপম ইদিসননা ফোঙদোকখ্রে।

ডেসামগী মতম খরগী হাংবা ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী গেট ময়াদা হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর ২৯ দা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা এম অঙন্বা য়াওনা লূপ অসিগী থৌমী মঙা পুলিসনা ফাজিনখি। মখোয়বু পুলিস ষ্টেসনদা পুরগা য়াম্না শাথীনা ওৎনৈখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিস পর্সনেল অহুম থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবগী খোঙথাং অসিবুদি তরাম্না ওক্তবা ঙমদে। অসুক য়াম্না চাউবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Hannagi Chief Minister O Ibobi yaona masak naiba mioi 6 ki mathakta case loubasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ **No** ☐

Vote thadanabagidamak **www.hueiyenlanpao.com** da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Fake Encountergi case thengnanaba police na police tagi fund khomgatle hairisi yaningbra?

Yes 30% **No** 70%

অস! লোইরেহে!

চীংদা তরাম্না ওকখিবদু ঐখোয়গী চাউনা মায় পাকপনি...!

ꯆꯤꯡꯗ ꯇꯔꯥꯝꯅ ꯑꯣꯛꯈꯤꯕꯗꯨ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ
ꯆꯥꯎꯅ ꯃꯥꯏ ꯄꯥꯛꯄꯅꯤ...!



চীংমী লৌবগী ওকপনি হায়নৈদা !

ꯆꯤꯡꯃꯤ ꯂꯧꯕꯒꯤ ꯑꯣꯛꯄꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯩꯗ!

এম দি এসকী মখাদা লুপা ক্রোর ১৮৫ মথোং খঙহন্দবগী ৱাথোক্তা চেন্নবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎখ্রে

ও ইবোবী য়াওনা মীওই ৬কী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএন এস): মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস)কী মখাদা লোক্তাক পাৎতা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা অমসুং টুরিজমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী থাদখিবা লুপা ক্রোর ১৮৫.৭৯ মথোং মরম খঙহনখিদবদা চেন্নবশিংগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা অকনবা থবক লৌখৎখ্রে।

মতম খরগী মমাঙদা ফমখিবা ষ্টেট কেবীনেটকী মীফম্না য়াল্লবা শেনফম মাঙখিবগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দা থিগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না চেন্নবশিংগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎনবা সী বি আইনা খঙহল্লকপা লৈখি।

মতম শাংনা লৈঙাক্লা খন্নরবা মতুংদা পীরকপা য়াথংগী মতুং ইন্না ঙসি ৱাথোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওই তরুক্কী মথক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না এফ আই আর লৌখৎখ্রে।

এফ আই আর ফাইল তৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি এম দি এসকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইরম্বা ৱাই নিংথেম সিংহ; চ্যেরমেন ওইরম্বা দি এস পুনিয়া, আই এ এস; চ্যেরমেন ওইরম্বা ও ইবোবী সিংহ; চ্যেরমেন ওইরম্বা পি সী লমকুঙা, আই এ এস; চ্যেরমেন ওইরম্বা ও নবকিশ্বর সিংহ, আই এ এস অমসুং এম দি এসকী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার ওইরম্বা এস রঞ্জিৎ সিংহনি। চিটিং, ক্রিমিনেল কন্সপিরেসী অমসুং ব্রিচ ওফ ট্রষ্টকা মরী লৈননা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি প্লানিং ডা. টি ঐচ মুনিন্দ্রো সিংহনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা গভর্ণমেন্টকী ফন্দ লান্না শীজিন্নখিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরগা বুক তৌনবা হায়জরকখি। মহাক্না হায়জরকপা মতুং ইন্না এফ আই আর লৌখ্রে। এফ আই আর অদুগী নম্বরনা ২৪৪ (৯) ২০১৭ ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননি। এফ আই আর অসিগী মখাদা মখোয় তরুকমক আই পি সীগী সেক্সন ৪২০/৪০৬/১২০ (বি) এন্দ ১৩ (২) পি সী এক্ট ১৯৯৮গী চার্জ মায়োক্লরে হায়রি।

কুমজা ২০১৬কী নবেম্বরদসু প্লানিং দিপার্টমেন্টনা মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটিদা ফন্দ লান্না শীজিন্নখিবগী মতাংদা মথৌ তাবা থবক লৌখৎপীনবা ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টতা হায়জরকপা লৈখ্রবনি। ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা ইনক্বারি চথরবা মতুংদা রিপোর্ট অমা পীশিনখি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ৱাই নিংথেমজাও, দি এস পুনিয়া, ও ইবোবী, পি সী লমকুঙা, ও নবকিশ্বর অমদি এস রঞ্জিৎকী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথবা মথৌ তাই হায়রি।

ৱাই নিংথেমজাওনা এম দি এসকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইরিঙৈদা মিজরমেন্ট বুক, দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমদি সেঙ্কসন পেপরনচিংবা মরুওইবা চে-চাং অমত্তা মওং চুম্না থল্লম্বা থেংনখিদে। এম দি এসকী মমিংদা হাংদোকপা বেঙ্ক একাউন্টশিংসু মহাক মথন্তনা ওপরেট তৌরম্বা থেংনখি।

কুমজা ২০০৯গী জুন ৩০দগী কুমজা ২০১৩গী জুন ৩০ ফাওবা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরম্বা দি এস পুনিয়া, আই এ এসনা সোসাইটিগী চেক খূদিংমক কাউন্টর সাইন তৌবা মথৌ তাই। এম দি এসকী ট্রাঞ্জেক্সন অয়াম্বা মহাক্না চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা তৌখিবা মরম্না মহাকপু এগজামিন তৌবগা লোয়ননা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌদুনা সোসাইটিগী অশোয়বা পুম্নমক খঙদোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই।

কুমজা ২০১৩গী জুলাই ১দগী কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ৩১ ফাওবা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইখিবা ও ইবোবী সিংহসু এগজামিন তৌবগা লোয়ননা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌবা মথৌ তাই হায়রি। চ্যেরমেন অমা ওইনা এম দি এসকী জোইন্ট একাউন্ট হোল্ডর ওইবা মরম্না মহাক্কী অয়াবা য়াওদনা সোসাইটিগী ট্রাঞ্জেক্সন অমত্তা তৌবা ঙমদে। প্রোজেক্ট দিরেক্টর মথন্তনা ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা ঙমদবনিনা ও ইবোবীগী মতমদা ট্রাঞ্জেক্সন তৌখিবা শেনফম পুম্নমক মহাক মশা খঙফম থোকই হায়রি।

কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১দগী কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরম্বা পি সী লমকুঙানা সোসাইটিগা মরী লৈনবা পেমেন্ট খূদিংমক্তা জোইন্ট সিগ্নেটরি ওইনা খুৎয়েক পীখিবা মরম্না মহাক্কী মতমদা অরানবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

কেসতা চেন্নরিবশিং

- এম দি এসকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইরম্বা ৱাই নিংথেম,
- মতমদুগী চ্যেরেমন দি এস পুনিয়া (আই এ এস),
- হান্নগী চ্যেরমেন ওক্রম ইবোবী,
- মতমদুগী চ্যেরমেন পি সী লমকুঙা (আই এ এস),
- হান্নগী চ্যেরমেন ও নবকিশ্বর (আই এ এস) অমসুং
- এম দি এসকী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার ওইরম্বা এস রঞ্জিৎ

পেটি সপ্লাই তৌবগী ৱাথোক্তা পুলিস ওফিসার ২ সস্পেন্দ তৌখ্রে

থবক্তগী পোথারবা আই পি এস মংলেমজাওগী পেন্সনগী বেনিফিট থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএন এস): মণিপুর পুলিসকী পার্সনেলশিংদা ষণথি চেনা শাবা, ক্বালিটি য়াওদবা পেটি সপ্লাই তৌরম্বগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা আই পি এস ওফিসার অমা, এম পি এস ওফিসার অমা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা থবক্তগী পোথাখ্রবা আই পি এস ওফিসার এস মংলেমজাওগী হৌজিক ফংলিবা দেথ কম রিটয়ারমেন্ট বেনিফিট ফাজিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা য়াথং অমা পীখ্রে।

থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা আই পি এস ওফিসার অদু পি গোংলিন কৌই। মহাক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ওইনা থৌ পুরি। মহাক্কা লোয়ননা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা এম পি এস ওফিসার অদুগী মমিং এম কুমারজিৎ কৌই। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (ওপস) ওইনা থৌ পুরি।

মখোয় অনী সস্পেন্দ তৌবগী চেরোল অসিগী মতুং ইন্না মখোয়গী মথক্তা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং লৌখৎলে হায়রি। মখোয়না সস্পেন্সনদা লৈরিঙৈদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা পুলিস হেদক্বার্টর থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়নসু খঙহল্লি।

হৌজিক্লা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতমদুগী আই জি পি (ওপস) ওইরম্বা এস মংলেমজাওগী মথক্তসু দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং লৌখৎখ্রে। মহাক্কী মথক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ওল ইন্দিয়া সার্বিসেস (দেথ কম রিটয়ারমেন্ট বেনিফিট) রুল ১৯৫৮গী রুল ৬কী মখাদা পেন্সনগী বেনিফিট খুদক্তগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিফাওবগী ওইনা ফাজিল্লগা থম্নবা খঙহনখ্রে।*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মকোকচীং বেলি ব্রিজ ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০১ (ঐচএন এস): ইরিল তুরেলগী মথক্তা শাবা ফিট ১৯০ রোম শাংবা মকোকচীং ইরিল রিভর বেলি ব্রিজ ঙসি ৱার্ক্স অমদি রুরেল দিভলপমেন্ট অমদি পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা শঙ্গাখ্রে।

থোঙ অদু শঙ্গারবা মতুংদা মকোকচীং বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, থোঙ অসি ওক্তোবর থাদা লোয়গনি হায়না পানরম্বদগী থা ২ ঙনখৎনা লোয়শিনবা ঙম্লে। সাইকুল কৈথেলদগী বেলি ব্রিজ অসি ফাওদুনা চৎলিবা মকোকচীং লম্বী অসি ফগৎহল্লগনি। পি এম জি এস ৱাই অসি কুমজা ২০০০ গী দিসেম্বর ২৫ দা ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অটল বিহারি ভাজপাইনা হৌদোক্লম্বনি।

লম্বী থোঙ শম্নহন্নবগী পায়খৎলিবা স্কীম অসি মণিপুরগী ওইনা মীওই লীশিং অমদগী হেন্না তাবা খুঙ্গং ৮০, মীওই ৫০০ দগী ৯৯৯ ফাওবা তাবা খুঙ্গং ২১১ অমসুং মীওই ২৫০ দগী ৪৯৯ ফাওবা তাবা খুঙ্গং ৩৬৩ দা পায়খৎলি। স্কীম অসিগী মখাদা মীওই ২৫০দগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

লৈহৌমীদা খুদোংচাবা পীনবা লো শেম্মু হায়বা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্তা মীতোপশিংগী ফীদা পীবা অমসুং খুৎ থিংজিনহনবা হায়বা হিরমদা কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটিজ, মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু নাগালেণ্ডদা এস পি ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারগা লৈরবা পোৎশংবম সোনামনিনা মোদরেটর ওইখি। রিসোর্ছ পর্সন ওইনা লৌশালগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সেদ্যুল ট্রাইব ডিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী কনভিনর মুতুম চুড়ামণি, ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও-ইকনোমিক ডিভলপমেন্টকী প্রসিদেন্ট আর কে থরাকসনা, সিরকাগী স্পোক্সপর্সন অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট নিংথৌজা লানচা অমদি ইরমদম কনবা লূপকী প্রসিদেন্ট ওইনাম বিমোলানা রিসোর্ছ-পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

: Manipur Press Club Majorkhul, Imphal
Orgd. by : Co-Ordinating Committee of Civil Societies Manipur

খন্ন-নৈনবগী মীফম অদুগী লোইশিল্লকপদা ৱারেপ মরি লৌখি। ৱারেপ মরি অদুদি, অহানবদা মণিপুর লৈঙাক্কী চুপ্পি লৈহৌমী খক্তনা পায়নবা অমদি মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগী পোষ্ট লমদম অসিগী মতিক চাবা লৈহৌমী ওফিসর লৈরবদি মখোয়দা হান্না পায়হনবগী খুদোংচাবা পীনবা ষ্টেটকী ওইবা লো শেন্নগা অথুবা মতমদা চৎনহনবীয়ু।

অনীশুবদা মণিপুরগী লৈহৌমী মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ওইনাম নবকিশ্বর, আই এ এসনা মহাক্কী থবক থাদোকপগী খোঙফম হন্দাকপা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লূচিংবা লৈঙাক্লা পন্থবা তৌদনা হায়রিবা থবক থাদোকপগী খোঙথাং হন্দোকপদুদা অয়াবা পীবগীদমক ঙসিগী মীফমনা লূচিংবা অনীমক থাগৎলি।

অহুমশুবদা চীফ মিনিষ্টর, মণিপুরনা ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

সুপ্রিম কোর্ট, বাংলাদেশকী জজ ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০১ (ঐচএন এস): সুপ্রিম কোর্ট ওফ বাংলাদেশ, হায় কোর্ট দিভিজন ধাকাগী জজ জষ্টিস ভাবানি প্রসাদ সিংহাবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এক্তিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বর, জজ জষ্টিস কেঐচ নোবিন, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চ্যেয়রমেন ও মোধুচন্দ্র, হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সেনিয়র এদভোকেট ঐচ এস পাউনম, ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ চন্দ্রজিৎসু দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এক্তিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ বাংলাদেস, হায় কোর্ট দিভিজনগী জজ জষ্টিস ভাবানি প্রসাদ সিনহাদা মেমেন্তো অমা খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এক্তিং চীফ জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্ট ওফ বাংলাদেশ, হায় কোর্ট দিভিজনগী জজ জষ্টিস ভাবানি প্রসাদ সিনহানা ইম্ফালদা লাকপদা তরাম্না ওক্লি। জষ্টিস অসিনা বাংলাদেশতা লৈরিবা জুদিসিয়ারি সিষ্টেমগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপীগনি। সুপ্রিম কোর্ট ওফ বাংলাদেশকী জজ জষ্টিস ভাবানি প্রসাদনা ফোঙদোক্কদৌরিবা ৱাফমশিং তাবদা য়াম্না কান্নবা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সুপ্রিম ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

হেলমেট উপ্তনা গাড়ী থৌবশিংদগী লুপা ৬১,৭০০ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএন এস): ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা হেলমেট উপ্তবা, সীট বেল্ট ফাদনা গাড়ী থৌবশিং ফাবগী ঙসিদগী হৌখিবা দ্রাইভতা ফাইন ওইনা লুপা ৬১,৭০০ খোমগৎখ্রে।

মোইরাংখোমদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট কমপ্লেক্সকী মমাঙ, বি টি রোদতা লৈবা ফ্লাই ওভর ব্রিজগী হাইগৎফম অমসুং এম বি সী চর্চ মনাক্তা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ইনফোর্সমেন্ট ৱিংনা দ্রাইভ অদু চথখিবনি।

দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসর (দি টি ও) ইম্ফাল ইষ্টকী থৌসু পুরিবা ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট ওথোরিটি ইনফোর্সমেন্ট ইন চার্জ টি ঐচ দিনচন্দ্রনা হায়খি, ইম্ফালগী মফম কয়াদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলকপা অমদি ট্রাফিক্কী ভোল্যুম হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা কাঙলোন লান্না গাড়ী থৌবশিং অমদি মফম চাদনা য়ু টর্ন লৌবশিং থিংনবগীদমক ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দ্রাইভ অসি ঙসিদগী চথবা হৌবনি।

মোইরাংখোমগী এম এস টি মমাঙ অমসুং এম বি সী মনাক্তা চথরিবা দ্রাইভশিং অসিদনা লম্বীদা হেমলেট উপ্তনা মখোঙ অনী পানবা গাড়ী থৌরকপা অমসুং সীট বেল্ট ফাদনা মখোং মরি পানবা গাড়ী থৌরকশিং

ফাইনান্স মিনিষ্টর জয়কুমারগা উনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০১ (ঐচএন এস): মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারগা জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিল (জে এ সী) ওফ ওল মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিল এন্দ ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ী ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংগা উনদুনা জে এ সীনা তাল্লিবা পোইন্ট ২২ য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। জে এ সীগী দিমান্দশিংগী মতাংদা খন্নগনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা দেপ্যুটি সী এমগী ওফিস চেম্বরদা ঙসি জে এ সীগী মীহুৎশিংগা উনখি। জে এ সীগী সেক্রেটরি জেনরেল এল বিকেন য়াওনা মীহুৎ ১৪ না পুং অমরোম দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানখি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

মোরেদগী চানবা হূই ৭ পুরকপী নুপী ১ ফারগা লোকঅপ য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০১ (ঐচএন এস): মোরেদগী ইকো ভেন অমদা হাপ্লগা ইম্ফালদা শদোং চাননবা বোরা খাউদা য়োম্লগা হূই তরেৎ পুরকপগীদমক নুপী অমা পুলিসকী লোক-অপ য়ৌখ্রে।

থৌদোক অসি মমাং থাগী ৩০ দা থোকখিবনি। হূই খরা বোরাদা হাপ্লগা লল্লোন্নবা ইম্ফাল তম্না পুখ্রে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী পিপল ফোর এনিমেলস (পি এফ এ)কী টিম্না খোঙ্গুল লীরকপদা ইম্ফালগী মিনুথোং ময়াদা ফংখি। হায়রিবা হূইশিং অদু পুলিস ষ্টেসন কয়া অমসুং চেক পোষ্ট কয়া লান্থোরক্লগা ইম্ফালদা পুরকখিবনি হায়না পি এফ এ মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, গাড়ী অদুদা তোঙলকপা অতোপ্পা পেসেঞ্জরশিং কুমথহল্লগা হূই মপু, গাড়ী দ্রাইভর, গাড়ী অমদি হূইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখি। মীনুংশি মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদনা হূইশিং অদু বাইন্দিং ৱাইয়রনা মচিন মখোঙশিং চেৎনা পুনশিন্দুনা পুরকপা ওইরমখি। য়োৎকী ৱায়র অদুনা চেৎনা পুনশিনবদগী ঈ চেন্দ্রবা মখোঙ মখুৎশিং অদু মতুম তাবা মখৈ পোমখৎলম্বা থেংনখি।

চৈনা খাঙবদা ৱারবা হূইশিং অদুনা নাম্থোক্লবা হোৎনবদা ঈহিং নাহিং শাবসু য়াওরমখি। ৱারে, নারে হায়না খোঙগদবা মচিনশিং অদুসু ঈ থোকপমখৈ চেৎনা পুনশিন্দুনা পুরকপা ওইরমখি। হূই অদুবু পুরকপা নুপী অদু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

থাবুম অমা চুপ্পা চথগদবা ইরাবতকী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০১ (ঐচএন এস): ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা ১২১ শুবা জন নেতা ইরাবত থাবুম ঙসিদগী জি এম হোল ইম্ফালদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. এম নরা ষ্টেট সেক্রেটরি সী পি আই মণিপুর, টিঐচ তোম্বা প্রসিদেন্ট ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুর, এল ইবোয়াইমা ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর সী পি আই মণিপুর, এল থোইরেন দেপ্যুটি সেক্রেটরি সী পি আই মণিপুর, এল সোটিনকুমার দেপ্যুটি সেক্রেটরি সী পি আই মণিপুর, এ লালা ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর সী পি আই মণিপুর, কেঐচ সুরচান্দ ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর সী পি আইনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

…MBER, 2017 GM HALL, IMPHAL, ICC, (MANIPUR)

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা. এম নরানা হায়খি, সোসিয়েলিজমগী সোসল জষ্টিস পুরক্লবগীদমক মীনা মীবু ওৎপা লৈতবা খুন্নাই অমা ওইহনবা য়াই হায়বগী ৱাখল্লোন অসি মাক্সিজমনা পীরি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা জন নেতা ইরাবতকী পুন্সি লোমখিবনি। অচৌবা ফম কয়া থাদোক্লগা অনৌবা, অহোংবা পুরক্লবা পুন্সি কৎপা ঙমখিবা লুচিংবনি। হৌজিক্কী পোলিটিক্সতা ফমগীদমক্তা ইকায়খুম্নবচিংবা কয়া খোঙগাওনরম্বা থৌদোক লৈখ্রবসু ঙাইহাক লৈতনা চোংথোক চোংশিন তৌবা পোলিটিক্সতা লল্লোন ঈতিক তৌবা পোৎ ওইহল্লক্লিবা অসিগা মরী লৈননা জন নেতাগী পুন্সি নৌহৌননা নৈনবা তঙায়ফদে।

মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) হৌদোকপীরম্বা মীয়াম্না শকখঙনরবা জন নেতা হিজম ইরাবতকী চহী ১২১ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা থাবুম অমা চুপ্পা চথগদবা থৌরম ঙসিদগী হৌদোক্লে। করিগীদমক্তা ঐখোয়না থাবুম অমা চুপ্পা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

LOAN AVAILABLE
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।
AREA COVERED: Imphal East Imphal West Bishnupur
100% Free Processing (Vehicle Only)
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-P/2145/26/8-26/9

ঈ-পাউজা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর+৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫